১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# ঈচেল ক্লব দিবোংনা জে ৱাই সীবু পাঙ্গল ৪-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



জিরিবাম, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেচতা ঈচেল ক্লব দিবোংনা জেৱাই সীবু পাঙ্গল ৪-৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে। মথংগী অরোইবা লীগ মেচতা কগালুং এফ সী অমদি পি এফ সীগা শান্নগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেচ অসিদা ঈচেল ক্লব দিবোংনা টোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি। অদুগা জে ৱাই সীনা মায়কৈ খনখি।

জে ৱাই সীগী শান্নরোয় হোসানা জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ৫শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমা চন্দুনা জে ৱাই সীগী একাউন্ট হাংখি। ঈচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোয় অজিম অদ্দিন জর্সি নম্বর ১২না মেচকী ৩২শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমা চল্লবা মতুং নেহেমিয়া জর্সি নম্বর ১৭না পাঙ্গল অমগা চন্দুনা অহানবা হাফতা ঈচেল ক্লব দিবোংনা জে ৱাই সীবু পাঙ্গল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না কন্না শান্নখি। ঈচেল ক্লবকী শান্নরোয় মিঙ্গা জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ৪১শুবা মিনট অমদি নাসেব খান জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমগা চনখি। অদুগা জেৱাই সীগী শান্নরোয় রামসেনলিন জর্সিনম্বর ৬না মেচকী ৬৩শুবা মিনট অমদি ৭৬শুবা মিনটতা পাঙ্গল চন্দুনা অপিবা মতমদা ঈচেল ক্লব দিবোংনা জেৱাই সীবু পাঙ্গল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা অজিজ হায়দরনা সেন্টর রেফরি, কে ঐচ নিলকমল অমদি জোএল চোংলোইনা এ আর ৱান, এ আর টু অদুগা ঈ তোমচৌনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# রঞ্জি ট্রোফি প্লেট গ্রুপকী অনীশুবা রাউন্দদা নাগালেন্দনা মণিপুরগী টিমবু ইন্নিংস অমগা রন ৬৮দা থোইখ্রে



কোলকতা, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা রঞ্জি ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ঙসি নাগালেন্দনা মণিপুরবু ইন্নিংস অমগা রন ৬৮দা থোইখ্রে।

নুমিৎ ৪নি শান্নবা প্লেট গ্রুপকা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী মেচ অদুগী ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনখিবদা মণিপুরগী মায়কৈদগী বেটচমেন ৩ আউট ওইরগা রন ৮৪ লৌদুনা লৈখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মণিপুরগী বেটচমেন খেত্রিময়ুম নারি বোল ২৮দা রন ২৭ লৌরম্লগা শোক্তুনা শান্নবা লেপখিবনি। মহাক্কী মতুংদা সুল্টান কারিম শুপ্পগী রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবা মতুং সাগৎপম জয়ন্ত অমসুং থোমাস মোইরাংথেম মথংশিংনা রন ২১ অমসুং বোল ৭ মায়োক্নদুনা রন লৌবা ঙমদনা লৈখি।

ঙসি মেচ অদুগী হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা হৌরকপদা মণিপুরগী থোমাস মোইরাংথেম ঙরাং রন লৌবা ঙমখিদবা অদুগী মখাতানা বোল ৩ মায়োক্নবদা রন অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং মণিপুর টিমগী কেপ্তেন কাংঙবম শান্নবা চঙলকখি।

সাগৎপম জয়ন্ত মহাক্না ঙরাং লৌখিবা রন ২১ অদুগী মখাতাবা অহেনবা রন লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। ঙরাং শোক্তুনা শান্নবা লেপখিবা খেত্রিময়ুম নারি মখাতানা ফিভম শোক্লবা মণিপুরগী ইন্নিংস অদুবু মতেং পাংনবা কেপ্তেন কাংঙবমগা লোয়ননা শান্নরকখি।

মখোয় অনীনা মণিপুরগী ইন্নিংস অদুবু হান্না লৈরম্বা রন ৮৪দগী ৬১ হাপচিন্দুনা পুন্না রন ১৪৫ য়ৌহল্লকখি। কেপ্তেন কাংঙবম বোল ৬৪ মায়োক্লবদা রন ১৯ লৌরম্লগা রন আউট ওইখিবদগী মণিপুরগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু বেটচমেন ৬ আউট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা লাংলোনয়াম্বা কৈশাংবম অমসুং নারিনা ইন্নিংস অদুদা রন ২৫ হাপচিনবা ঙমখি। খেত্রিময়ুম নারি বোল ১১৫ মায়োক্লখিবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১১ য়ৈরম্লগা মশাগী রন ৮৫দা আউট ওইদুনা মণিরপুরগী অপুনবহা স্কোর অদু বেটচমেন ৭ আউট ওইখিবদা রন ১৭০দা লৈখি।

লাংলোনয়াম্বা মণিপুরগী টিমগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা ওলরাউন্দরগী থৌদাং লৌরক্লিবা মরু ওইনা বোল্লর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা আরি কে রেক্সকনা ইন্নিংস মখাতারকপদা রন ৬ হাপচিল্লগা লাংলোনয়াম্বা মশাগী রন ১২দা আউট ওইখি। আর কে রেক্সনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা বোল ৪৩দা রন ৪২ লৌরম্লগা আউট ওইদুনা মণিপুরগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ২১৬তা লোয়শিনখিবদগী ইন্নিংস অমগা রন ৬৮দা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মণিপুরগী টিম্না পুন্না টিম ১০গী প্লেট গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ অনী শান্নবা লোয়শিনখিবদা মেচ অমা মায়পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি। থা অসিগী ২৫দা মণিপুরনা অহুমশুবা মেচ ওইনা অরুনাচল প্রদেশকা লম্বা তৌনরগনি।

# জীট কুনে দো টিম মধ্য প্রদেশকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশতা থা অসিগী ২৪দগী ২৭ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস জীট কুনে দো অন্দর-১৯ বোইজ এন্দ গর্লসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর জীট কুনে দো টিম ঙরাং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী জীট কুনে দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি অমদি এসোসিএসনগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা মধ্য প্রদেশকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস জীট কুনে দো অন্দর-১৯ বোইজ এন্দ গর্লসতা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪৫ মখাগীদা এল অরুনদাস, কেজি ৪৫-৪৭তা এস জেকসন, কেজি ৪৭-৪৯দা জেনিল চোংথাম, কেজি ৪৯-৫১দা মালেমঙানবা থাংজম, কেজি ৫৫-৫৭তা সী ঐচ বোরিশ, কেজি ৫৭-৫৯দা এম দি মুজাহিদ, কেজি ৫৯-৬১দা এন জি সনাথোই অমদি কেজি ৬১ মথক্কীদা মাশুংঙাম হোরামনি।

নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুনা কেজি ৪৫গীদা এন জি সনিয়া, কেজি ৪৫-৪৭ ফাওবগীদা এল লিন্থোই চনু, কেজি ৪৭-৪৯ ফাওবগীদা এস সঞ্জিতা, কেজি ৪৯-৫১ ফাওবগীদা এ কে ওমিতা, কেজি ৫৯-৬১ ফাওবগীদা এ তুসিলা, কেজি ৫৩-৫৫ ফাওবগীদা এন রানি চনু, কেজি ৫৫-৫৭ ফাওবগীদা ঐচ মেমথোই চনু, কেজি ৫৭-৫৯ ফাওবগীদা এল অবেথোই চনু, কেজি ৫১-৫৩ ফাওবগীদা ঐচ দয়ানি অদুগা কেজি ৬১ মথক্কীদা এল পুস্পানি।

টিম ওফিসল ওইনা ৱাই এ এসকী পিঙ্গই টি এন রাইফিচান, এ সনধ্যারানি অদুগা টেক্নিকেল ওফিসলদা সী ঐচ নিংথেমনি।

অহানবা ওদেসিয়স কপ ২০১৯

# সী ৱাই দি ও চঙমদবী, জেক এফ সী অংথা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ নিংথৌনাইনা শীন্দুনা নবেম্বর ২৫দগী য়াইরিপোক নিংথৌনাই শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা ওদেসিয়ন কপ সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সী ৱাই দি ও চঙমদবীনা এ জি এন নিংথৌনাইবু পাঙ্গল ৩-০দা অদুগা জেক এফ সী অংথানা হুইকপ এফ সীবু পাঙ্গল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ জি এন নিংথৌনাই অমসুং সী ৱাই দি ও চঙমদবী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবদগী সী ৱাই দি ও চঙমদবীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা তরিফ অজিজ জর্সি নম্বর ২না একাউন্ট হাংখি। মখা তানা লেপ্তুনা চত্থরকপা এটেকশিংদা টিম মেট নশার জর্সি নম্বর ১৪ অমদি এম দি নৱাদ জর্সি নম্বর ৮না মথংশিংনা শান্নবগী ২৭শুবা অমদি ৩০শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমমম হাপচিন্দুনা পুন্না পাঙ্গল ৩ শুখি। এ জি এন নিংথৌনাইগী মায়কৈদগী মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা পাঙ্গল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু সী ৱাই দি ও চঙমদবীনা পাঙ্গল ৩-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা হুইকপ এফ সী অমসুং জেক এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনরকখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা জেক এফ সীগী কে জেমস জর্সি নম্বর ১৭না একাউন্ট হাংখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ২২শুবা মিনটতা ৱাই মালেমঙানবা জর্সি নম্বর ৭না পাঙ্গল অমগা চন্দুনা পুন্না পাঙ্গল ২ শুখি।

হুইকপ এফ সীগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঙ্গলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু জেক এফ সীনা পাঙ্গল ২-০দা মায় পাকখি।

# আইজোল এফ সী অমসুং পঞ্জাব এফ সী হয়েং রজিব গান্ধী ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): আইজোল এফ সীগী হোম মেচ ওইনা রজিব গান্ধী ষ্টেদিয়মদা পঞ্জাব এফ সীগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

মেচ অসিগী মাঙ ওইননা ঙসি পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা আইজোল এফ সীগী হেদ কোচ ষ্টানলি রোজারিওনা হায়খিবদা, আই লীগ টুর্নামেন্ট অসি হেন্না চাওখৎপা টুর্নামেন্ট অমা ওইবগা লোয়ননা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংসু হেন্না মাঙজিল থানা শান্নরক্লি। মেচ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ৫ ফংবা ঙম্বা অসিদা টিমগী পর্ফোমেন্স থাগৎলি। ঐখোয়গী টিমনা অৱে মেচ অমা থোইবা ঙমখ্রে। লোয়ননা হোম মেচ অনী মোহন বগান অমসুং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নায়িন সিটি এফ সীগা ড্রো চৎখ্রে।



হোম মেচ ওইনা মোহন বগান অমসুং চেন্নায়িন সিটিগা শান্নখিবদা ড্রো চৎখিবা অদু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া নাম্থোকখি। হয়েং পঞ্জাব এফ সীগা শান্নগদবা মেচ অসিদা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী বেষ্ট লেভেলদা শান্নরক্কনি খল্লি হায়খি।

পঞ্জাব এফ সীগী হেদ কোচ য়ান লোনা হায়খিবদা মেচ খুদিংমক লোইনা মরু ওই। অদুবু হেন্না মরু ওইরিবদি হয়েং শান্নগদৌরিবা আইজোল এফ সীগী মেচ অসি থোইদুনা অৱে মেচকী ওইনা অহানবা পোইন্ট ফংবা ওইগদৌরিবনি। পঞ্জাব এফ সীগী কোচ য়ান লোগী বর্থদে অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ২৪নি। মহাক্কী অপাম্বদি আইজোল এফ সী থোইদুনা অৱে মেচকী অহানবা একাউন্ট হাংদবা অদুনি হায়না মহাক্কী শান্নরোয়শিংদা খঙহনখি। লোয়ননা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়নসু পঞ্জাবকী হেদ কোচ য়ান লোনা ফোঙদোকখি।

## ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দগী ১২ ফাওবা ঝরখণ্ডগী কোকারো ষ্টিল সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন সেনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ারুনবগী মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়ল থা অসিগী ২২দা পি বি বি পি টি সী দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।




২শুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০

# টি এ এস কে আই পি এ এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): ৱান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা টি এ এস কে আই পি এ এফ সীনা এস এম এস এফ সীবু পাঙ্গল ৮-৭তা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি টি এ এস কে আই পি এ অমদি এস এম এস এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌরকপগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখিবনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৪/৪না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা টি এ এস কে পি এ এফ সীগী মায়কৈদগী এম দি নাজির জর্সি নম্বর ১২, এম দি অবদুল মজিদ জর্সি নম্বর ৫, এম দি অন্সার অলম জর্সি নম্বর ১১, এম দি অজারুদ্দিন জর্সি নম্বর ৯, এম দি অজমির জর্সি নম্বর ৭, এম দি সারোস জর্সি নম্বর ৪, এম দি অসিফ খান জর্সি নম্বর ১০ অমদি এম দি অটাফ জর্সি নম্বর ৬ হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা পাঙ্গল লোইনা চনখি। এস এম এস এফ সীগী মায়কৈদগী এম দি দানিস জর্সি নম্বর ৭, এম দি জাহির জর্সি নম্বর ১১, এম দি অবার জর্সি নম্বর ১৫, এম দি সুরাস জর্সি নম্বর ২০, এম দি ইম্রান জর্সি নম্বর ১০, এম দি হুসেন জর্সি নম্বর ২২, এম দি কুদুস জর্সি নম্বর ২ না পাঙ্গল চনখি। মেচ অসিদা টি এ এস কে আই পি এনা এস এম এস এফ সীবু পাঙ্গল ৮-৭তা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আই লীগকী টিম ওইরিবা ট্রাও ক্লাকৈথেল অমসুং জে এস ৱাই সী কাংপোকপী লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী হয়েং অয়ূক পুং ১১.৪৫ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা দি এম রাও অমদি এফ সী লমজাও ককচীং অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদা আই লীগকী টিম ওইরিবা ট্রাও ক্লাকৈথেল অমদি জে এস ৱাই সী কাংপোকপী লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি হয়েংগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নগদবা মেচ অসি মীয়ামদা য়াম্না নুংঙাইবা মেচ অমা ওইগনি। হৌজিক চত্থরিবা হিরো আই লীগকী টিম অমা ওইরিবা ট্রাওগী মেচ য়েংবা ফংলগনি। ট্রাওগা মায়োক্নরিবা টিম জে এস ৱাই সী কাংপোকপী অসিসু আই লীগকী অহানবা গ্রাউন্দদা ২৪শুবা ৱিন্নরস কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবা এম পি এস সীগী টিমবু পাঙ্গল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা চঙলকখিবনি। মরম অসিনা হয়েংগী মেচ অসি অয়েংবা মীয়ামদা য়াম্না নুংঙাইবা ইথিল অমা শোয়দনা পীগনি খল্লি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবা এফ সী লমজাও ককচীংসু অহানবা লীগকী রাউন্দদা কে আই ৱাই সীবু পাঙ্গল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা চঙলকখিবা টিম অমনি। লোয়ননা মহাক্না লম্বা তৌগদৌরিবা টিম দি এম রাও সেকমাই অহানবা গ্রাউন্দদা বাই ফংদুনা চংলকখিবা টিমনি। মেচ অসিসু য়েংবদা শোয়দনা নুংঙাইগনি হায়বগী থাজবা লৈ।



HL-B/5780/2nov.to28dec.

**BUSINESS LOAN AVAILABLE**
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS: OFFICE ASST. (KAKCHING, KHANGABOK, SEKMAI MOIRANG), Car Driver, SECURITY (Ex-Servicemen), Mechanic & Gr-IV, Computer Operator, Tyre Mistry & Helper (2+2).
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 8794748661/9383154085
Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com